ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

যুথস ফাউন্দেসন ফোর ফিটনেস এন্দ সর্ভিস (ৱাই ও এফ এফ এস) মণিপুরনা অমুকোগা খুৎশম্নদুনা অয়ুস দিপার্টমেন্টনা পীরকপা হীদাকশিং মীয়ামদা য়েন্থোকখিবা

দাইবিটিজ নাবা মীওইশিংনা কোভিদ ভেক্সিনগী মরমদা খঙজিনবা মথৌ তাবশিং

☛ লামায় ২

পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে

☛ লামায় ৩

এমসুনা শেংদোরক্কবদি লোগী ওইবা এক্সন লৌরগনি : বি জে পি হৈরোক মন্দল

☛ লামায় ৬

অসাম ইথানোল প্রদক্সন প্রমোসন পোলিসি ২০২১ এপ্রুভ তৌখ্রে

☛ লামায় ৭

জপানগী টোকিওদা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারব্বী জুদোকা সুশিলাবু ন্যু দেল্লীদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তরাম্না ওকখিবা

Vol. 45, Issue No. 132 ইরাই, ইঙেনগী ২৮নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১০ HUEIYEN LANPAO Friday, August 06, 2021, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

মিরাবাই চনুনা ত্রক দ্রাইভরশিংদা তৌবীমল খঙবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০দা ৱেঠলিফটিংদা সিলভর মেদল ফংদুনা লৈবাক অসিগী ইহান হানবা মেদল একাউন্ট হাংদোকখিবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা মহাক্না নোংপোক ককচীংদগী খুমন লম্পাক ফাওবগী মরক্তা প্রেক্টিস তৌবা চৎলিঙৈদা গাড়ী ফংদবা থেঙ্খাং কয়াদা মহাক্না হঙ্গৎ হন্দা চৎপদা শেল লৌদবা ফাওবা য়াওনা মতেং পাংবীখিবা লৈঙোই চিংবা ত্রকশিং য়াওনা ত্রক দ্রাইভরশিংবু তরাম্না ওক্কুনা থাগৎপগা লোয়ননা অঙম্বা মতেং পাংদুনা তৌবীমল খঙবা উৎখ্রে।

ঙসি লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না নোংপোক ককচীংদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা মহাক মশামক অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওই *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

য়ু পি মচা ১ য়াওনা মীওই ২দগী ব্রাউন সুগর কেজি ৬ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : উত্তর প্রদেশকী বেরিলিগী ৪৯-রোহিটি টোলাদগী মীওই ১ য়াওনা মীওই ২দগী পুন্না ব্রাউন সুগর কেজি ৬ ফারে হায়না নার্কোটিক এফ্যেরস এন্দ বোর্দর পুলিসকী এস পি কে মোধুচন্দ্রনা ঙসি মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

এস পিনা পাউমীশিংদা হায়, মীওই অনী অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎখিবনি। লোকল মার্কেটতা লুপা লাখ ৫০ রোমগী মমল ওইগদবা ব্রাউন সুগরশিং অদু ইন্টরনেসনল মার্কেটতদি লুপা ক্রোর ৫ রোমগী ওইগনি হায়খিবগা লোয়ননা ফারবশিং অদুনা উখুল দিষ্ট্রিক্কী সংসক ফুংহোন ভিলেজদগী ভরৈহাও টিনফৈ (৬২) অপোকপা লৈখিদ্রবা জুরৈ টিনফৈ অমসুং উত্তর প্রদেশকী হায়রিবা মফম অসিদগী অনিলকুমার গুপ্তা (৪৯) অপোকপা রেনগোপাল গুপ্তা কৌই হায়রি।

টিনফৈনা ঙরাং ইম্ফাল উখুল লম্বীগী *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৩৮°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৮২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৮৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৬

HL Poll

Q: Olympic gamesta bronze medal fanglakhraba Sanglakpam Nillakanta dasu manipur governmentna matik chaba thabak pifam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Statesida mayoknariba issue pumnamak leikhai tana khannanabagidamak assemblygi meepham numit kharani chathaba chumloidra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

-লায়রবশিং অসিনা করি চারগা হিংলিজাৎনো ঐদি ঙক্লিয়ে, মমা।

- ꯂꯥꯏꯔꯕꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯀꯔꯤ ꯆꯥꯔꯒꯥ ꯍꯤꯡꯂꯤꯖꯥꯠꯅꯣ ꯑꯩꯗꯤ ꯉꯛꯂꯤꯌꯦ, ꯃꯃꯥ।

- লাইনা য়াৎপা খয়াৎনি, করিম ৱারম্মোইদা।

- ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯌꯥꯠꯄꯥ ꯈꯌꯥꯠꯅꯤ, ꯀꯔꯤꯝ ꯋꯥꯔꯝꯃꯣꯏꯗꯥ॥

এম টি দি সী লিমিটেদ সলাক শারে

থা ১৪গী পে পীদ্রিঙৈদা রুলগী ৱাংমদা থবক পংহাপ্তা হাপচিল্লে

MANIPUR TRIBAL DEVELOPMENT CORP. LTD.

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : অদুঙৈ কুমজা ১৯৭৯গী জুন ২১দা ইনকোর্পোরেট তৌদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্পেনি (অন্দরটেকিং) ওইনা চহী ৪২ হেন্না লম্ফেলপাংতা লৈরক্লিবা মণিপুর ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ হৌজিক মসিগী এমপ্লোয়ী পুম্নমক্কী পীথোকফম থোকপা থাগী তোলোপ থা ১৪ চুপ্না পীথোরক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা কোর্পোরেসন অসিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা রুলগী ৱাংমদা থবক পংহাপ্তা হাপচিল্লকপদগী কোর্পোরেসন অসি সলাক শাবগী ফীভমদা লৈরে।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী অন্দরটেকিং অমসু ওইরিবা অদুগা তোঙান তোঙানবা কন্সত্রক্সন ৱর্ক্স কয়া লেপ্তুনা পায়খৎতুনা লাক্লিবা কোর্পোরেসন অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ওইহনফম থোক্তবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা খোমজিনখিবা তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংনা হায়, মার্চ ৪, ২০২১দা দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পর্সনেল দিভিজন) গী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমদা ফেব্রুৱারী ২২, ২০২১দা থোকখিবা ওর্দর অদুবু শেমদোক শাদোক্লদুনা দেল্লি ৱেজেজ, কন্ত্রেক্ট এমপ্লোইমেন্ট, মষ্টরোল, দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টনচিংবগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈরিবা লোয়শঙশিং অমসুং এজেন্সী পুম্নমক, সোসাইটি, অন্দরটেকিং বোর্দ, কোর্পোরেসননচিংবা পুম্নমক্না চত্থরক্লিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং অদু ষ্টেট কেবিনেটনা মাঙজৌননা অয়াবা পীখিবশিং অদুদি রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অদুগী থবক থৌরমশিং মখা চত্থগদবনি হায়খি। অদুগা ষ্টেট কেবিনেটনা মাঙজৌননা এপ্রুভ তৌবদগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং অদু মখা চত্থরক্লবসু হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটকী ইকোনোমি অমসুং ফাইনান্সিএল পোজিসন অসিগী মতুংইন্না রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং অদুগী রিজল্টদি মখা তাবা ওর্দরশিং থোরক্ত্রিবা ফাওবা হায়দোক্তনা লেপ্পগা থমগদবনি হায়খিবনি।

অদুম ওইনমক চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী মার্চ ৪, ২০২১দা অসিগুম্বা ওর্দর অমা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট/এজেন্সী/সোসাইটি/অন্দরটেকিং/বোর্দ/কোর্পোরেসন পুম্নমক্তা থোক্কুনা খঙহন্দুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা এপ্রিল ২৬, ২০২১দা মণিপুর ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম টি দি সী এল) গী মেনেজিং দিরেক্টর সী অর্থর ৱোরচুইয়োনা ওর্দর অমা থোক্কুনা পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্টতা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

নিলকান্ত য়াওবা হোকি টিম্না পুৱারী শেমখ্রে

- প্রাইম মিনিষ্টর ১সুং চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎলক্লি
- মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহাননা নিলকান্তদা লুপা ক্রোর ১ পীরগনি লাউথোকখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): কুমজা ১৯৮০দা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা চহী ৪১ ওলিম্পিক্সকী ওইবা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিদ্রবা মতুং ঙসি জর্মনিগা শান্নবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলগী লম্বাদা মায় পাকখিবা অদুদা মণিপুরা মচা নিলাকান্ত শর্ম্মাগী অচৌবা থৌদাং য়াওখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা ওলিম্পিক পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াম্না গোল্ড মেদল ফংবা ঙম্বা লৈবাক ওইরি। পুন্না লৈবাক অসিনা ওলিম্পিক গোল্ড মেদল ৮ ফংলি। অরোইবা অদু ১৯৮০ মোস্কো ওলিম্পিক্সতা ফংখিবনি। মদুগী *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

ওলিম্পিকতা গোল্ড লৌনবা অমুক্কা হেন্না হোৎনহনখিনি : নিলকান্তগী অপোকপা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : ঙসি শান্নখিবা গেম অদু য়াম্না লুরবসু ফজনা শান্নখি, থৱায়বু খুৎনা পায়দুনা য়েংবা হায়বদু ওইখি। তশেংবদি ইন্দিয়াগী মেন হোকি টিম অসিনা গোল্ড লৌরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈখিবনি। অদুবু মখোয়না শান্নরিবা অদু য়েংলুরগদি অদুক্কী মতিক অপেনবা ফাওই। মখা তানা শান্নদুনা ওলিম্পিকতা গোল্ড লৌনবা অমুক্কা হেন্না হোৎনহনখিগনি হায়না হোকি মশান্নদা টোকিওগী ওলিম্পিকতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা নিলকান্তগী অপোকপা সংলাকপম ইনাওচা (৫৬)না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

টোকিওদা শান্নখিবা ওলিম্পিক গেম অদুগী মমাংদা শান্নখিবা মেটচশিং অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নখ্রবসু করিগুম্বা ব্রোঞ্জ মেদল ফাওবা লৌরক্লমদ্রগদি পুম্নমক অরেম্বদা তাগদৌরিবনি। অদুবু মখোয়গী হোৎনজমন অমদি লৈবাক মীয়ামগী থৌজালদগী লৈবাক্কী মায় পুরক্কুনা ব্রোঞ্জ লৌরকখিবা অসি অমরোমদা গোল্ড লৌরকপগা চপ মান্ননা নুংঙাইবা ফাওই। শান্নবা হায়বসি লায়রবা ইমুং অমগী ওইনদি য়াম্না অৱাবা অমনি। হোকি ষ্টিককী মমলসু তাঙই, খোঙউপ অমা থা ফানা চৎতে। শান্নবা চৎনবগী শেল পীযু হায়রবসু মতিক চানা পীবা ঙমখিদে। সাইকল *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

হায় কোর্টকী ওর্দর :

গভর্ণমেন্টনা ফেন্সিং, রেষ্টলিং, টাইক্বান্দো, জুদো, বোক্সিং ১সুং রুশুগী নুপী কোচশিং হাপচিনগনু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ষ্টেট কেবিনেটে মীফমনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী মনুংদগী ফেন্সিং, রেষ্টলিং, টাইক্বান্দো, জুদো, বোক্সিং অমসুং রুশু হায়রিবা মশান্না তরুক অসিগী নুপী কোচশিংগী পোষ্ট তরুক ক্রিএসন তৌনবগী ৱারেপ লৌরদুনা পোষ্টশিং অসিদা নুপী কোচশিংবু এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক থোকখিবা ওর্দর হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চেলেঞ্জ তৌরকপদগী কোর্ট অসিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা মশান্না তরুক অসিগী নুপী কোচশিংগী ফমশিং হাপচিনগনু হায়দুনা ওর্দর পীখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর অসি কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা কোর্টনা ঙসি পীখিবা ইন্টরিম ওর্দর অমদা খঙহনখিবনি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা মশান্না তরুক অসিগী নুপী কোচশিং হাপচিন্নবগী লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংগী মায়োক্তা মসিবু শীংনরদুনা হায় কোর্টতা সিভিল রিট পিটিসন ফাইল তৌরক্লিবা পিটিস্নরশিং অদুনা খোংমন জোন ফোরদগী অতোম সাওলিন মৈতে (৩৮) অপোকপা এ মুহিন্দ্রো মৈতে, লৈকায় অসিমক্তদগী চীংসোম্বা নিংঙোম্বা (৩৫) অপোকপা চোনজোন নিংঙোম্বা, খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী ওংনম সোভরাজ (৩৪) অপোকপা ও নবনি।

পিটিস্নর অহুমসিনা ফাইল তৌরক্লিবা রিট পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদা চীফ সেক্রেটরি/কেবিনেট সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস), প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টরনি।

পিটিস্নর অহুমনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা মশান্না তরুক অসিগী নুপী কোচশিং হাপচিন্নবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নর (য়াস) না দিসেম্বর ২১, ২০২০দা ওর্দর অমা থোকখি। ওর্দর অদুগী নম্বর এস এম ১-২/২৫/২০২০- য়াস/এস-য়াসনি হায়রি।

ওর্দর অসি থোক্লকপগা লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংনা মশান্না তরুক অসিদা নুপী কোচশিংগী পোষ্ট তরুক ক্রিএসন তৌরগা হায়রিবা পোষ্টশিং অদুদা নুপী কোচশিং হাপচিন্দুনা মেনশিন্নবনি। অদুবু পিটিস্নরশিংনা হায়রিবনা মখোয় অহুম্মক ফেন্সিং মশান্নদা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনেল মেদল ফংলক্লবা মীওইশিং ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা দিরেক্টর (য়াস) না দিসেম্বর ২৬, ২০০৯দা থোকপা ওর্দর নম্বর ২/১৩/৯০-য়াসকী মতুংইন্না মখোয় অহুম্মু য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

গোবিন্দাসনা মহাক্কা নক্লবা মীওইশিং কোংগ্রেসতগী তোক্লবা খঙহল্লক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী অহুমশুবা চয়োলদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদগী তোকখ্রবা মতুং ২৬-বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইবদগীসু তোকপদা নত্তনা কোংগ্রেসকী প্রাইমারি মেম্বরশিপ ওইবদগীসু তোকখ্রবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা বি জে পিদা য়াওশিল্লকপবু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ন্যু দেল্লীদা লৈবা বি জে পিগী হেদ কার্টরদা তরাম্না ওকখ্রবা মতুংদা মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী হৌজিক এম পি সী সীগী থৌ পুবশিং ওইনা লৈরিবা মীওইশিংবু কোংগ্রেস পার্টিদগী রিজাইন তৌনবা পাউতাক পীরকখ্রে হায়রি।

পাউগী লিখুন অমনা হায়বদা ৱাফম অসি হৌজিক দেল্লীদা লৈদুনা বি জে পিগী নেসনল লিদরশিং অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং মথং মথং উনদুনা ৱারী শারক্লিবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা টেলিফোন তৌরক্কুনা মহাক্কী বিষ্ণুপুর এ সীগী মীওইশিং অদুদা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদদি মহাক্কা নক্লবদগী হেন্দোরক্কুনা মহাক্কী এ সীগীসু মরু ওইবা লুচিংবশিং ওইরিবা মীওইশিং অদু কোংগ্রেস পার্টিদগী রিজাইন তৌবগী ৱাফম লৈখিদ্রি। অদুবু হয়েং গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা দেল্লীদগী হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্কী ৱাফম অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনরিবা কোংগ্রেসকী থৌ পুবশিং ওইরক্লিবা মীওইশিং অদুগা অরোইবা ওইনা ফমিন্নদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা কোংগ্রেসতগী তোকপগী রেজিগনেসন লেটর মথং মথং পীশিননবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

কোংগ্রেসতগী মহাক্কী মতুং ইন্দুনা তোক্কদৌরিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা হৌজিক এম পি সী সীদা মরু ওইবা ফমশিং পুরিবা অমসুং এ আই সী সীগী মায়কৈদগী এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবা মীওইশিংসু য়াওরি হায়রি। মখোয়সু বিষ্ণুপুর এ সীগী মখোয়গী লিদরনা লৌরকপা ফিরেপ অসিগী মতুংইন্না থাংলক্লিবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

এম জি নরেগাগী রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ (আর দি এন্দ পি আর) গী থৌরম পুরিবা মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খৃথাংদা মণিপুরদা মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি স্কিম (এন জি নরেগা) গী ইমপ্লিমেন্টেসনগী মতাংদা রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

মীটিং অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী ন্যু সেক্রেটরিএটতা লৈবা মিনিষ্টরগী ওফিস চেম্বরদগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খৃথাংদা পাঙথোকখিবনি।

মীটিং অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক মায়োক্লরিবা পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরদুনা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। অদুবু এম জি নরেগা অসিবু নীংথিজনা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌবনা মীয়ামদা কান্নবা খরদি পীগনি। মিনিষ্টরনা এম জি নরেগাগী চৎলিবা কুমজা ২০২১গী ওইনা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা রিলিজ *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

পোজিটিভ ৭৫৭ থেংনরে, মীওই ৮ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমগী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙরাং থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৬৫ অমসুং লৈখিদবা মীওই ১৪ অদুদগী ঙসিনা অমুক হন্থরক্কুনা মীওই ৭৫৭ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ৮ লৈখিদ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীং অদুগী মনুংদা ৪না সী এ পি এফনি অদুগা লেমহৌরিবা মীওই ৭৫৩না জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ৩৫৪ অমসুং নুপী ৩৯৯ য়াওরি। ঙসি নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি রিমসতা ৭১, জেনিমস ৪২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪৪৩ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা অনৌবা কেস ২০১ থেংনখিবনি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৩০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৭৭, থৌবাল ৫৮, বিষ্ণুপুর ৪৮, ককচীং ৩০, উখুল ৯, চূড়াচান্দপুর ৬২, চান্দেল ৯, সেনাপতি ১০, তমেংলোং ১৩, তেংনৌপল ৫ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ৮ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২, ইম্ফাল ইষ্ট ২, থৌবাল ১, বিষ্ণুপুর ২ অমসুং চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ৮ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৬১৪ শুরে। অদুগা ঙসি লৈখিদবা মীওই ৮ অসিগী মনুংদা ৫না কো-মোর্বিদিটিজনা *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

লমশাংগী ৱাজরবা ইমা-ইবেলশিং, লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎনবা থবক তৌগনি : করমজিৎ

১৭-লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্লগদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ১৭- লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা অরাম্বম করমজিৎ (৪৩) না করি করম্না ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারকখিবনো অমদি লমশাং এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্না থবক তৌবা পাম্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী ‘মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং’ হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্নবা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্না ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : অঙাং ওইরিঙৈ অমদি মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা দোক্টর, ইঞ্জিনিয়র, লোয়র, স্পোর্টস পর্সন অমদি তোঙান-তোঙানবা শিনফম কয়াদা থবক তৌগনি হায়বগী মঙলান কয়া থম্নৈ। অদুবু ঐগী ওইনদি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মীয়ামগী থবক ওইনা তৌগে হায়বগী মঙলান লৈখি। ঐহাক্কী অপোকপসু ওজা অমা ওইবগা লোয়ননা মীয়ামগী থৌগল তৌরম্মী মদুগীসু চাওনা ঐঙোন্দা মমি তাখি। সী দি এসকী এগজামদসু খল্লকখি অদুব মীয়ামগী থবক তৌগে খল্লকখিবনিনা চৎখিদে অমদি গভর্ণমেন্টগী জোব ফাওবা তৌগে খন্দনা মীয়ামগী করিগুম্বা থবক খরা তৌবা পাম্না পোলিটিক্সকী লম্ অসিদা চঙলকখিবনি। লায়রবা মীনা নোংম-নোংমগী অসুম লায়ররকপা হেল্লকপা অদুগা ইনাকখুনবনা নোংম-নোংমগী অসুম ইনাকখুল্লক্তুনা লায়রবা অমদি ইনাকখুনবগী পল অসি অসুক্কী মতিক ৱাংনা লৈখ্রে। অসিগুম্না পল অসি নমখায়দুনা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগী পান্দমদসু লম্ অসিদা চঙলকখিবনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসকালিফিকেসন তৌখিবগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই?

পাউ : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি ফৈ হায়না খল্লি। চহী খরগী মমাংগা য়েংনরববদি বন্দ, ৱোক্কেদ অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম য়াম্না ফরে। মমাংঙৈদা পুলিস উবদা কিবা ফাওনরম্বদু হৌজিক্তি মরুপ অমা ওইনা লোইনরে। অদুবু লাইবকথীবদি কোভিদ-১৯ লায়চৎ লাকপনা লৈঙাক্তসু কোক কা হেন্না শাবদি ওইরে। দিসকালিফিকেসনগী মতাং অসি এম এল এশিং অদু হান্না খঙলমগদবা মান্দে। লোগী মায়োক্তা থবক তৌরবদি এক্সন লৌখৎলকপা হায়বসি মহৌশানি।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্না পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্না ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা মীখল মায়োক্লগে হায়না খনবিরি?

পাউ : হৌজিকমক্কী ওইনদি চপচাবা পার্টি লৈত্রি, মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নরি। মতম লাক্লবা কান্দা মীয়ামগা খন্নরগা মীয়াম্না পাম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগনি। শেন্থোক লম্বী লৈহন্দুনা ৱাৎত-পাদবা ইমুং-মনুং অমদি লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্না থবক তৌগনি?

পাউ : ইশানা তৌজরম্বা থবক থাদোক্লগা কুমজা ২০১৬ তগী লমশাং এ সীগী মীয়ামগীদমক মরুওইনা ইমা-ইবেলশিংনা শেল তান্নবগী লম্বী লৈত্রিবা অসি লৈহন্নবগীদমক, এগ্রিকলচরগী থবক মপুং ফানা তৌনবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎতুনা অনৌবা ন্যু মোর্দনগী এরিগেসন সিষ্টম পুশিল্লক্তুনা শেমগৎনবা হোৎনগনি। চহী চুপ্পা ঈশিং ফংহন্দুনা লৌবুক-লম্পাং পুমশং শঙহন্দুনা ‘ঐখোয় থবক শুরসি’ হায়বা থীমদা হৌজিক থবক চৎথরিবা অসি মখা তানা অমুক্কা হেন্না মায়পাক্লা থবক তৌনবা হোৎনগনি। *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫